Sunday, January 08, 2023, Imphal

হুয়েয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

> "কদোমদনো লম্বেলসিবু -
> চীনগা খূৎকা মান্নদবা, লমথুংফমগা লম্বেলগা শম্নদবা।"
> - *এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

# শৈরেং

## ওকপা তারি

**—রোমি তখেল্লম্বম**

অনৌবা! হে অনৌবা! মিঙ্গৌসে!
অনৌবা হায়বা মিংথোলসে পূম্নমক্তা
পাম্নদবা কনাবু লৈরমদৌবা - অওনবনি
ওন্দবা করিবু লেমহৌবা - থেংনখ্রবো?
অনৌবনা ওলহল্লে, মহৌশাগী কাইদ খোঙচৎ
পুমওন ওনখ্রে, হে অনৌবা কুমজা নঙনা লাকপসিদা
ঐগী পুন্সিগী মচুসু হোংহল্লি তত্তনা হেক-হেক।
নঙদি নঙগী লেংফদ্রবা খোঙচৎনি শোয়ফদ্রবা
মোং হাদনা কাইদ খোঙথাং লৈশেমঙৈদগী
নহাক্কী ফম্বাকথক্তা জগোয় খূৎথেল্লিবশিংদা
নয়াথং অমত্তদি তাওথহঞ্জনীংববু কায়রদ্রা?
চাকথুং মান্নবগী ফিজোলনা, মীমান্নদ্রবশিংসু
তাম্থা চানা, পুঙলোন চুম্না, শাথেক নাইনা
শংবান্নবা চীংমাইগী, লোইরোইনবা নাপোমথক্তা
মীৎয়েং পল্লানহন্দনা, চিংশিনবখক মঙম্নবা।
পন্থিংবা ঙল্লোইদ্রবা ঋতু তরুক্কী খোঙচৎ
তোপ্তোপ্পনি, লৈত্রবনি মালেমদা, অনীশুবা'মা
মায়থোঙ মাপলনা লৈতেংবা চীংশাং নাপোম
ফংঙল্লোই মালেমগী মফম কৈদসু, য়েংঙুনে মুক্তা
মীথোইরবী কৌব্রু অমদি মীহেল্লবী লাংমাইচীং
শৈথাবতনা নোপ্লবা, ইরমদমসিগী নিংথিজবা
হেন্দোক-পাথোকহনসি; হে অনৌবা কুমওন।
হৌখিবনা হৌখ্রসু, খোইদোই হুনবিরল্লিবা
হে অনৌবা কুমজা নহাকপু লৎনজরোই
ওকপা তারি, মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা
লেঙশিনবীরকউ! তম্বীররাউ খুদোল ওইনা
য়েপশিন্দুনা পুরল্লিবা 'অঙ্গৈবা ঈরীক'
খিকপীররো শীন থুংনা ইরমদমগী
অপীকপা লৈকোলনুং চীংলৈপাকসিদা।

## অরোইবা বিদাই

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

থোল্লিবা থাজদা য়েংজরুই ইমিৎ পেন্না
নোংমদোন অতিয়াদা য়েংখৎচরোই,
থামম্বা অহিংদা লৈচিল নোংফাই মরক্তা
মুশি মুশি ঙাল্লি ঐগী থাশি থাজ।
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লিবা তন্দনগী মতৌগুম
থৱান্মীচাক লিশীং কয়ানা নোংমদোন অতিয়াদা,
মশীং থিনবা হোৎনজরুই থৱান্মীচাক লিশীং
লৈচিল নোংফাই মরক্তা লোৎলি
মীমান্নদ্রবী ঐগী মায়হিং কারবী থাশি।
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
চৎখি থাশি থানিল হন্না য়েংলমদনা
খাম্বা ঙমহৌদে নীংঙমদা!
শারবা কালেনগী মৈশা ইঙাগী নোংজু মরক্তা
ৱানা খাঙজখি লাইবকথীবী কুমজা ২০২২।
নীংথম উনলেসু নংজখি
য়েন্নিং থাসু লাকখিদ্রে লৈরাং লৈশাৎসু তমখিদ্রে
মৰূ কোল্লবা লৈরাংগী মতৌগুম
কনা খঙহন উহন্দনা চৎখি লাপ্না তাম্না,
নীংঙাইদনা অরোইবা বিদাই পীরল্লগা
মিৎলু পিরাং ঈহৌনা কুমজা ২০২২।
অৱাবা ৱারীসু থম্বীরম্মী পুৱারীদা
দিসেম্বর ২১ খৌপুম থৌদোক
পোমশাৎনরিবী লৈরাং কেনজখি
মালেমগী শান্নবগী নুংঙাইবা পুংজাদা
পুন্সি পিখম্নখি লৈরাং মৈতৈ চনুরা,
লৌমী কয়াগী হার ফংদবগী খোল্লাউ
নীংঙমখিদে লৌমী কয়া
নিংদোল পোমদুনা খাঙজখি।
অৱা থৌগাই পুদুনা চৎখি
অরোইবা বিদাইগী খূৎশা হাইরম্লগা
নীংঙাইদনা চৎখি কুমজা ২০২২।

## 'লৈতাহনবীরমদ্রবদা'

**— রাজকুমারী মীনা**

লাকখিবদা নহাক্না মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা,
কয়াদা হরাওনা ওকখিবা চিৎথবা লৈতনা।
চঙলল্লবা কানসিদা নঙগী খোঙচৎনা
শক্লোন মখল কয়া কয়া শাফোংহনখি।
মপূং ফাদ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং লৌনম্বীদুনা।
পূক্লিংনা খোইদাদ্রবা থবক-থৌরমশিং
লৈরাং লৈখল নাইনা, লৈশক লৈচু খাইনা।
খঙই পূম্নমক্না কায়ফদ্রবা ঋতু নঙগী খোঙচৎসিদা
খোঙদারকখিবনি ঙসিগী মালেম লৈকোইনুংসিদা।
ৱাথোক-লান্থোক কয়াগী ৱারোইশিন,
পুদুনা চৎহন্নীংখি মশেক-মঙাল থোক্না,
তরুবা মায়কৈদা লেপ্পদুনা নহাক্না মতম চূপ্পদা।
ৱাখল লৈবা মাল্লবা নঙগী নপারি-নমোমশিং
তাওরি, লাঙলি, চোঙলি নিশাগী ঈপাক্তুদা
হোৎনরি নাথৈনবা ঙমজবী থাদুনা অকিবা লৈতনা।
খাইবুং খাইবুং তান্নদুনা চিংখায়নরি অঙন্বী থাদুনা
কায়থরল্লিবা নহাক্কী প্রকৃতিগী শক্তমসিদা,
নুংনাংবা শাশিন্নদুনা লৈরিবশিং মীপাইবা পোক্তনা।
বিদাইগী পুংজা নকশিল্লক্লবা থোঙজিলসিদা,
লেপ্লিব্রা নহাকপু নুংশুক-নুংজাননা ৱাখল থোক্তনা;
লুরুক মীৎয়েংনদুনা কান্নররোই খল্লিব্রা নহাকপু?
নঙগী থম্মোয় লাকানুংদা করিবুনো লোৎলিবা;
ফুল্লগা থমদুনা মীৎলু পিরাং ঈহৌদুনা লৈরগনু কৈদৌবগে।
পুথবীখ্রো অতাওবা কাওশিংগুম ঈয়াইথক্তা তাওরিবা
পুকচেল তপ্পী ঈরৈমা ইমাগী শক্তম লাংদুনা
নহাক্কী তরু-তরুবা ঈচেল-ঈরৈগী ঈরোলনুংদা।
মঙাল থোক্না পালহৌবা ঙম্নবা নপারি নমোমশিংনা।

## কংলৈ ইমানা লাউরকই

**—নাওরেম মঙ্গি**

কংলৈ ইমানা লাউরকই
থাঙখক পায়বনা য়ারোই
চুঙ্গৈইসু পায়দবা নহাক্না
নরৈবাক করম্না ঙাক্কনি
নজাতিবু করম কনগনি।

ফিজঙ মরুমদা শান্নরিবা
করপসনগী লীলা ময়ামসে
নঙনা করম থিংলুনি
লৈরব্রা নঙগী মীচংবু
শেল্লব্রা লান্মী তেঙ্গোল।
পায়যু চুঙ্গৈইদু চেৎনা
মায়কৈ কয়াদগী য়াল্লক্কনি
য়ামখ্রবা করপসনগী লান্মীনি
থাঙহাইদুনা কোইশিল্লু নশাদু
শাগৎলু থাঙগী জগোয়।

## মসিমতং হায়রমউ

**—এম নিলকুমারি**

"কাউখ্রবা অকাউ পরৈনখ্রবা পুন্সিগী
পরিং অমগী ৱারীনি"
পাল্লবা পাংখোল্লাগা নোংলিক্কী লংলবা ঈশিং মরীক্কী
শাফুগা করি মরী থোক্লে?
অঙাং নৱা ওইরিঙৈ
চেন চোংদুনা শান্নরিঙৈ
উখি খোংবাল পরিংগী
পাল্লা পাল্লা হৌরিবা পাংখোল্লাগী মনা
লোয়নরি হঙ্গাম মপাল মচুগী মশাগী মপাল।
পাল্লবা মনা মখোল্লা লোয়নৈ হাইনা হুম্না
নোংলিক্লা থোল্লি - মনাথক্তা তুংদুনা লৈরমদে
ঈশিং মরীক মনি মুক্তাগুম লংলবা
ঈশিং মরীক কয়া হৈথখি ঈপাক্তা
লংলবা ঈশিংগী হৈথখিবা মতৌদা;
করি করম শৈথাগনি পাংখোল্লানা করি খল্লমগবা।
তুংদুনা লৈরমদ্রবা ঈশিং।
'তুংলমদ্রবা ঈশিং' পাল্লবা থরো থম্বালগী ঈপাক্তা
থম্বালগী থম্নাথক্তা চেন চোংদুনা শান্নজবা
মনি মুক্তাগুম লংলবা নোংলিক্কী ঈশিং
থম্না থক্তগী ঈপাক্তা তিনখি থম্নানা ঈয়াইদা লৈজরবসু
চিংখৎলুবদা হুন্দোক্লমখি ঈপাক্কী ঈশিং করি খন্দুনা
থম্না' ঈশিং পকখিদে।
খলহল্লি মসি ওইরে তাইবঙগী পুন্সি।
হায়বীরমউ অখঙবা নহাক্না :
পাংখোল্লাগা ঈশিংগা করি মরী থোক্লে?
ঈপাক্কী ঈশিংগা থম্বালগী থম্নাগা করি মরী লৈনৈ?
মাগী মাগী ঙাইহাক ঙাইহাক্কীনি হায়সিরা?

## মতম কুইরবগী তুংদা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

হায়নখি মখোয়না লৈকংলানি
লৈহাও চেন্দবা লৈঙোই লমনি
চৎখিগনু পাউতাকপীখি মতমদুদা
অৱাবা কোঙ্গাই মায়োক্লগনি
লোল লি তিন্নরল্লোই
ফিজেৎ চাকচা খেন্নরমগনি
হিংবদা ৱাগনি ইথন্নতা।
পাউতাক পূম্বা নাথৈরম
চপ য়ুংনা লেপচখি
ঈচেলগী মায়োক্তা ইরোইনবা
তুঙওইনরমদুনা ইয়ুম নুংশিবা
খোঙশানখি শকখঙদবা লমদমদুদা
থেংনগে খনখি লান্থেং কয়া
লান্থোক্কে নীংখি পল খুদিং।
তপ্না তপ্না মিৎ পাঙলকখি
নৎলমদ্রে মীয়াম্না খন্নবা লৈকংলাদো
ওইরল্লে স্বর্গগী নন্দন কানন
মীওক মীচান্দা য়েংলে চঙখোনবা
পীজ পীথক্তা ফংলে মপা লৈতবা
মথম্মোয়নুংদা কৌশিনখি পান্থোম তিংথোক্তুনা
'পধারো মহারো দেস'
মতম কুইরবগী তুংদা
চৎলুই মফমদুদা অমুক হন্না
মিৎলু নাপোম অনীমক্তা
তরংগী লাইজ ঈহৌরকখি
শকওং শাদা ওল্লল্লে মরুপশিংদো
অদুবু অমতংদি হোংলমদে
মখোয়গী পুকচেল ফজবদো।

## পল্লেপফম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

পল্লেপফম পন্থুংফম
লোইবা নাইদ্রবা
ৱাখল অমনা
পুরদুনা চৎলি
অহিং নুংথিল
খাইদনা হঞ্জিন হঞ্জিন।
অহিংসু, নুংথিলসু
ৱাখল অদুনা ঐবু
লৈতাহন্দনা মায়কৈ
খঙহন্দনা পুরি,
অমগী মথংদা অমা
মথংদা অমা,
অমদা অমুক হঞ্জিন্না,
অমদা অমুক হঞ্জিন্না
লোইনাইদবা পন্থুংফম
পল্লেপফম নাইদবা
ৱাখল অদুনা ঐবু।

## মৈত্রবাক্কী অচাকপা মৈরি

**—বীরমঙ্গল পুখ্রম্বম**

তনিক তনিক চাল্লিবা
সনা কৈথেলগী পোদোনগী মৈরি
লৈত-লায়রগী মৈরিনি!!
তগুপ - তরেং ঙাল্লিবা
লোক্তাক পাৎকী থাউমৈগী মৈখু
লায়র-অনংগী মৈখুনি!!
পেরুক য়েল্লাং লুকমায়দা
য়োনবা নত্তে মৈঙালদা
হুমাং ঈরিকনি য়োল্লিবা!!
লেমলৈ ঙাবু ঈয়াইদা
থিবা নত্তে অহিংদা
জীবিকানি থিরিবা!!

**মতম মতমগী ৱাখল**

# রুপ-রাগগী অদুঙৈগী ঈশৈ




কুমশীং চহী ২০২২ চৎখ্রে, অনৌবা চহী ২০২৩ না অমুক মহুৎ শিলহৌরি। লমদম অসিদা ঈশৈ-নোংমাইদা কৎথোকপীরম্বা ওজা-গুরু, অহল-লমন কয়া,শৈশকপা শৈশকপী,অয়ৈ-অখোং কয়া লমদমসিদা লৈরমখি। অহল-লমন, ওজা-গুরুশিংনা শেম্বীরম্বা,লিংখৎপীরম্বা ঈশৈ-নোংমাইগী তোঙান তোঙনবা মশক নাইবা কাঙলুপ খরা ঙাল্লিঙৈদা লমদম অসিদা লৈরম্মী। মখোয় লোইনা মতমগী ইরোন্নুংদা তুমিন্না লৈখ্রে। খর অদুগী মনুংদা রুপ রাগ অসিসু অমনি। ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলুপ অমনা মতম কুইনা মীয়াম্না মশক খঙবীদুনা থৌগল তৌবা ঙম্বা হায়বসি কাঙলুপ অদুগী মরুমদা তাকপী-তম্বীবা ঙম্বা, পাউতাক পীবীবা,অৱাৎ-অপা মেনশিনবা ঙম্বা অখঙ-অহৈ, ৱাহৈগী থৌনা পীবা ঙম্বা ময়াম অমা লৈরগতা ওইথোকপা ঙম্মী। হায়রিবা ৱাফম অসি রুপ রাগগী ওইনদি লাইবক য়াম্না ফনা হৌরকই। কাঙলুপ অসিগী হৌরকপা মতমদগী শৌগৎপীবা মীওই কয়া লৈরকখি। ঈশৈ অমা শকলকপদা চঙলিবসি ফজবা ময়েক, নুংশৈবা শৈহেক-শৈদানি। ফজবা ময়েক্তগী অফবা শৈহেক শৈদা শৈপানবশিংনা শেম্বীরকই। ঈশৈ ময়েক, ময়েক্কা চান্নবা শৈহেক শৈদা লৈরগসু ঈশৈ অদুবু শকপীগদৌরিবা শৈশকপশিংগী থৱায় য়াওবা, হোৎনবা কনবা, থক্সি-খাসি, নুংশিবা খোঞ্জেল অসি লোয়নরকত্রগদি মীয়াম্না পাম্নবা ওইবা ঙমদে। ঙাল্লিঙৈগী মতমদা লমদম অসিগী মশক নাইখিবা শৈশকপশিংনা মীয়ামদা ঈশৈ থৌগল তৌবীরকপদা নম্ফুদা ঈশৈ শকপা অসি তৌনরকখিদে। ঈশৈ শকপা অমা হায়বসি শেমজিন শাজিল্লগা ওইরকখিদে। ঈশৈ হায়বসি তল্লগা অমদি মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনরগা মীয়ামগী থৌগল তৌনবা হোৎনরকখি। তল্লিবা মখৈ লোইবা নাইদবা অদুগা শিন্তাকপা ওজা অমগী মখাদা তমলক্তনা মীয়াম্না পাম্নবা শৈশকপা ওইরকপসু ঙল্লোই। পীথোকলকপা ওইরগসু তমদ্রগদি অচুম অরান হায়বসি মশানা খঙবা ঙমদে। হীরম খূদিংমক ওজা নাইদনা ইথন্তা হৈজরকই হায়বসি ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনদি হায়নরক্তবা অমনি।

রুপ রাগ হায়রিবা ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলুপ অসি কুমশীং ১৯৬০ দা ইমাসি এম কে বীনোদিনিগী সঙ্গাইদা লীংখৎলকখি। মশক নাইবা অহল-লমন শুনবা পূল্লবা, য়াম্না যূমফম অফবা অমদা শেমগৎলকখিবা কাঙলুপ অমনি হায়বসি থীজিল্লুবদা খঙবা ঙম্মী। অহানবা লুচিংপুরেলদি অয়েকপম লক্সমণ (লক্ষ্মন) অদুগা থৌবুরেলনা মাইবম হরিচরণনা ওইবীখি। কাঙলুপ অসি লীংখৎলকখিবগী মরুওইবা ৱাখল্লোনদি- "লমদমসিগী মতম ঈশৈশিং থিজিন খোমজিনবা, ঈশৈগী পারী পুরি শকখঙনবা হোৎনবা,হান্নদগী শক্লরল্লিবা পেনা, খোংজোম পৰ্ব্ব, খুল্লং ঈশৈ, সঙ্কীর্তণ ঈশৈনচিংবা কয়া অসি নৈনদুনা খঙনবা হোৎনবা,ঈশৈগী অনৌবা মখল মথেল পুথোকনবা হোৎনবা অমদি মণিপুরী মতম ঈশৈগী মফম অসি হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা হোৎনবা অসিনা মরুওইবনি।" ৱাফম অসি বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্ম মশামক্না ইবা "রুপ রাগগী ঈশৈগী ৱারী" হায়না মিংথোনবা ৱারেংদসু কূপ্না পনবীরল্লি। রুপ রাগগী মরমদা কাঙলুপ অসিগী মরুওইবা মেম্বরশিং-এম কে বিনোদিনী, অরিবম শ্যাম শর্ম্ম, বি.জয়ন্তকুমার শর্ম্ম, চান্দম গোপাল,নোংমাইথেম পহারী, চোংথাম কমলা, খুরাইজম ফুলেন্দ্র, কে সি নন্দ, অহৈবম বুধচন্দ্র, মণি মাইরেম্বম, য়েংখোম রোমা,খুন জয় কুমার,অহৈবম শ্যাম অমদি ঙাঙোম টেজ কুমারনচিংবশিংনা ঙাল্লিঙৈদা ৱারেং কয়া ইরগা ফোংবীরল্লি। লময়ানবীরমখিবা অহল -লমনশিংনা রুপ রাগগীদি মশাগী পুৱারী, ইতিহাস শেল্লগা ইদুনা চেফোঙ ওইনা ফোঙলগা ফাওবা থম্বীরল্লে। চেফোঙশিংদা য়াওরিবা ৱারেংশিং পাজরুবদা রুপ রাগদি ঈশৈ নোংমাই খক্ত নত্তনা সাহিত্য, খোরিরোলদসু য়াম্না মাংজিল থানা চৎপীরল্লবা অমা ওইরমখি হায়বসি খঙবা ঙম্মী। রুপ রাগ হায়রগদি মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদমদা খঙদবা য়াওনরকখিদে। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগা হৌমিন্নরকই হায়বসু য়াই। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফাল কুমশীং ১৯৬৩দগী লৈরকই। রেডিও ষ্টেসন অসিদা রুপ রাগগী মশক নাইবা অহল লমন অয়াম্বসু থবক তৌরমখি। রেডিওদা ঈশৈগী থৌরম অমা ওইনা লান্থোল্লকপদা রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপীশিংনা অয়াম্বা শরুক য়ারকখি। হৌজিক ফাওবদা রুপ রাগনা রেডিওদা শকখিবা ঈশৈশিং- লাইশোন ঈশৈ, লৈপাক নীংবা ঈশৈ, মতম ঈশৈ অমদি ঈশৈ শক্তমনচিংবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শকখিবগী রোর্কোদ ফংবা ঙম্মী। রুপ রাগদি ঙাল্লিঙৈদগী মায়থোং য়াম্মী। ঈশৈ খক্তা নত্তনা ড্রামা অমদি ফিলম ফাওবা য়াওনা শরুক য়ারকই। রুপ রাগনা পুথোকপা ড্রামা খরসু লৈখি। খরদং পনবা য়াবদি- এবং ইন্দ্রজিৎ,মমী য়াওদ্রবা মী, দশা, অন্ধা যুগ অসিনচিংবনি। মখা তানা অতৈ ড্রামা কয়া পুথোল্লবা থৌরাং তৌরমখি।

রুপ রাগনা মমিং লৈখৎলকপা ঈশৈ নোংমাইগী লমদা খোংজেন য়াঙনা লাকখিবসি মশক নাইবা তাকপী তম্বীবা ঙম্বা গুরুশিং, অহল লমনশিং কাঙলুপ অসিদা য়াম্না য়াওবীরমখি। অহল লমনশিং অদুগা লোয়ননা ঐগ্য শ্যাম শর্ম্ম, নোংমাইথেম পহাড়ী, ঐগ্যা জয়ন্তকুমার, চান্দম গোপাল, জি রোবিন্দ্র হায়রিবশিং অসিনা অমুক থৌদাং লৌদুনা ঈশৈশিং শেমলকখি। রুপ রাগ হায়রিবসিমক শক্লোন কয়ানি হায়বসি মিংথোন অসিগা য়াম্না চুনখি। কাঙলুপ অসিগী ওইনা তাকপীবা ঙম্বা ওজা য়াম্না লৈবনিনা ডিপার্টমেন্ট য়াম্না খায়দোক্না থবকশিং পাংথোকলকখিবা থেংনৈ। ঈশৈ নোংমাই কাঙলুপ, ড্রামা-লীলাগী কাঙলুপ, রুপ রাগগী মহৈশঙ পুবা কাঙলুপ, ঈশৈ ময়েক ইবা কাঙলুপ, শৈপানবা শৈশেম্বা কাঙলুপ, ঈশৈ শকপা-শকপী, অয়ৈ-অখোঙ কাঙলুপ অমদি পাউতাক পীবা কাঙলুপ অসিনচিংবনি। রুপ রাগনা মতম ঈশৈ কয়া শক্তুনা ঙাল্লিঙৈগী ত্রিনাথ খুরুম্বা য়াওশংগী হোলি ঈশৈ, ফমশক, লাইটশোংনচিংবা মীয়ামগীদমক মফম খুদিং চৎতুনা ঈশৈ শকলকই। মতাং অসি ফাওবসি চাউখ্রবা তাঙ্কক অমনি।

মখা তারকপদদি রুপ রাগগী ওইনা মীয়াম্না পাম্নবা শৈশকপা খরা থোকলকখি। মখোয় অসিদি তঙাই ফদনা পন্দবা ঙমদে। রুপ রাগনা মফম খুদিং-চাকচা হৈজানবা, স্কুল কলেজগী ফঙ্কসনশিং, নাহুৎ নারেং হরাউ কুম্মোশিংদা কন্না শরুক য়াদুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনবা হৌরকপদা শরুক য়ারকখিবদি- নব ভোলুম,খুন জয়কুমার,অহৈবম শ্যাম অমদি শমুরাইলাৎপম নবচন্দ্রনি। মরক খরদা সনাতোন শর্ম্ম অমদি পুখ্রম্বম চন্দ্রকুমার অমদি কুঞ্জবীহারিসু শরুক য়াবীরমখিবা ঐখোয়না থেংনখি। নুপীদি খর তাঙনা য়াওখি। অয়াম্বা কোইনা চৎপদা মচে অমা ওইনা শকলকখিবদি অরাম্বম যমুনাখক্তনি। রুপ রাগগী ওইনা নুপী শৈশকপীশিং অয়েকপম কমলা, খুন্দ্রাকপম তম্ফামনি, অয়েকপম সোবিতা, অশেম মেম্মা, অশেম বীমোলানচিংবশিং লৈরি। পঞ্জরিবা ইকায়খুম্নজরিবশিং অসিদি তোঙান তোঙনবা মফমদা থবক তৌখিবনা অখন্নবা রুপ রাগগী থৌরমশিংদা শক্লবা নত্তনা কোইনা ঈশৈ শকপা চৎপদা তোয়না য়াওনখিদে। খর থেংথরকপদা নুপী শৈশকপী লৈশাবীশিং-দেবলা,বিনাতা,নন্দেশ্বরী,বিদ্যরাণী,উষারাণী,লক্সমী অসিনচিংবশিংনা শৈফমশিংদা থোকলক্তুনা মীয়াম্না পাম্নবা তানিংবা শৈশকপী ওইবা হৌরকখি। নুপাগী খোঞ্জেলদা বিরকুমার, স্বামিকুমার অমদি সদানন্দ লৈরি।

রুপ রাগ হায়রগা ঐখোয়না শৈশকপা শৈশকপী খরতবু হেন্না খঙনরি। শৈশকপা শৈশকপীশিংগী থৱায় হাপ্লিবা অয়ৈ অখোং, অহল লমনদগী হৌরগা মীয়াই নহাশিং ফাওবা য়াম্না লৈরি। অয়ৈ-অখোং তৌজরিবশিং অসি লৈরমদ্রগদি রুপ রাগগীদা নত্তনা ঈশৈ নোংমাইগী লমদা শরুক য়াবীরিবশিংদি খুবাক নাম্মতা খুবা য়াদবগুম মখোল থোকলল্লোই। রুপ রাগগী ঙাল্লিঙৈগী অয়ৈ অখোং তৌবীরল্লিবা মীওইশিং য়াম্মী। খরা থেংথরকপা অহল লমনশিংগা হেক তাইনবদা ফম্বাক্তা, মিউজিকেল নাইটশিং থোকলকপা মতমদা মীয়াম্না হেন্না উখিবা খরদং পনবা তারবদিঃ- গিটারদা-ৱাহেংবম শমসন,জোন,রাধাচরন শর্ম্ম,ভাইওলিন- বোরেন শর্ম্ম,গম্ভীর বাশি,মেন্দুলিন দিলিপ, সেকসাফোনদা-মণিরতন অমদি ধন্ন,ইফেক্টতা-বীমোল, তবলা-হামোম কুমার, বোমচা, এল তোম্বী অমদি,ত্রিপল কোঙ্গো-কৃষ্ণচন্দ্র,ধুলকীদা-হাওবম চাউবা অসিনচিংবশিং অসিনা মতম শাংনা শুম্মাং খুদিং,শৈফম খুদিং চৎলগা রুপ রাগগী ঈশৈ নোংমাই কাঙলুপ অমা লৈরি হায়বসি মীয়ামদা চাউনা খঙহন্দুনা লাকখি। রুপ রাগ ঈশৈ-নোংমাই কাঙলুপ হায়রগা মীয়াম্না উরিবসি পঞ্জরিবশিং অসিনি। হৌজিক্কী মতমদা অমুক তবলাদা-পুরনানন্দ,ইফেক্ট পেদ দ্রম-প্রিয়ো অমদি বিসি, ত্রিপলদা-সননি,গিটারদা-ও.গীত অমদি বোখান, মেন্দুলিন-বিসে অদুগা ইলেকত্রেনিক-ওর্গন্দা জি. সুরচন্দ্র অমদি থাংজম তোম্বা পঞ্জরিবশিং অসিনা অয়ৈ অখোংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপীশিং য়াওনা কন্না শৈফম খূদিংদা শক্লরকপা মতম কুমশীং ১৯৭০গী পরিং অসিদা মণিপুরী সিনেমাগী ইহৌ অমসু লাকপগা মপা য়াম্না চাখি। রুপ রাগগী ঈশৈ নোংমাই কাঙলুপ চিনবা হেনগৎলকই। মতম ঈশৈ শকলম্বদগী প্লেবেক শিঙ্গর য়াওরকখি। মণিপুরী সিনেমাগী ইহৌদা রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপী,অয়ৈ অখোং ফাওবা য়াওনা সিনেমাদা শরুক য়াবা হৌরকখি। মণিপুরী সিনেমাগী ইহৌদা রুপ রাগগী আর্টিষ্টশিংনা কন্না য়াওরকখিবদি ঐগ্যা শ্যাম শর্ম্ম, ইমাসি বিনোদিনী,জি. রোবিন্দ্র,ঐগ্যা জয়ন্তকুমার অমদি নোংমাইথেম পাহাড়ী হায়রিবশিং অসিনা পুশিল্লকখিবনি। ঙাল্লিঙৈগী মণিপুরী ফিল্মগী ঈশৈ অয়াম্বা রুপ রাগগী শৈশকপা শৈশকপীশিংনা শকখি অমদি ম্যুজিকসু রুপ রাগগী কাঙবুনা অয়ৈ অখোং তৌখি। সিনেমা অমদি মতম ঈশৈ অনী অসি কন্না পুংবা ওইদুনা লাকপা মতমদা রুপ রাগগী থৌরমসু মীয়াম্না হেন্না পাম্নবা মতমসু লৈখি। মতৌ অসুম্না মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ নোংমাইগী কাঙলুপ ওইরম্বা রুপ রাগগী মপাঙ্গল শোন্থবখিবা মতাং অমা লৈখি। খুন জয়কুমার অমদি অহৈবম শ্যাম, নিংথৌজম নবচন্দ্রনা লৈখিদবা মতমদা মেনশিনবা ঙমদবা অৱাৎপা ওইখি। লৈপাক্কী ওইবা অৱা অনা কয়ানসু মতেং পাংশিনখিদুনা রুপ রাগ তূমিন্না লৈখিবা চহী খরা ঐখোয়না থেংনখি। মৈবু ফিনা খুম্বা য়াদবগুম ঈশৈ নোংমাইগী লমদা ওমশিন্দুনা লৈরম্বা রুপ রাগ কুমশীং চহী ২০২২গী অরোয়বা চহীগী নুমিৎ অসিদগী মশক থোকপা হৌরকই। রুপ রাগবু নুংশিবীবা লমদমসিগী মতম ঈশৈবু তাজনীংবা মী য়াম্না লৈরম্মী। অনৌবা রুপ রাগগী থৌ পুবা খন্দুনা অনৌবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অহানবা ওইনা "অদুঙৈগী ঈশৈ" হায়না মিংথোনবা ঈশৈগী থৌরম অমা ডিসেম্বর ৩১, ২০২২ অরোয়বা নুমিৎতা ইম্ফালগী প্রেস ক্লবতা পাংথোকখি। মতম শাংনা কুমশীং চৈচৎ ১৯৮৬ তাগী লিশাং শিৎনা পাংথোকলকপা "দ গ্রেট টু নাইটস"পাংথোকলক্তবা কুইখ্রে। লাক্লিবা চহীশিংদা চহীগী অহৌবা অমদি অরোয়বা নুমিৎতা হান্নগুম্না পাংথোকপা ঙম্নবা লংজিন কাঙবা ওইনা 'অদুঙৈগী ঈশৈ' হায়দুনা পাংথোকখি। থৌরম অসিনা রুপ রাগবু অমুক তূমলুবদগী হৌগৎলকপগুম মতু মমান খীংবা উরকই।মীয়ামগী থাগৎ ৱাহৈ তাবা ফংখি, অনৌবা থৌনা লাকই। রুপ রাগনা অনৌবা রুপ রাগগীতা ওইনা শেম্বা শৈশকপা শৈশকপী নহাশিং পুথোকলকখি। কুইনা উরুদ্রবা, অখন্নবা শৈশকপা ওইনা ব্রোজেন, বিদ্যানিধি অমদি বিক্রম অদিত্য য়াওনা শকপীখি। গিটার রাজেন মশামক্না অহানবা ওইনা হৱাইন গিটার খোংখি, রাধাচরন ফম্বাক্তা লেংখৎলক্তুনা অদুঙৈগী ঈশৈ থৌরমসিদা গিটার খোংখি, হামোম কুমার তবলা য়ৈরমখি, ত্রিপল য়ৈরম্বা কৃষ্ণচন্দ্রা মাউথ ওর্গান খোংদুনা অনৌবা থৌরম অমা ওইনা শরুক য়ারমখি। ঐখোয় লৈরি হায়বা মখোয়না তাক্লমখি। হেন্না পূক্লিং নুংশিখিবদি থৌরমদা লেঙবীরকখিবা রুপ রাগগী মতম অমগী আর্টিষ্টশিংগী ইমুং মনুং-সেক্সাফোন ধন্না, মেন্দুলিন দিলিপ,ধুলকি চাউবা,গিটার রাধচরন, ভাইওলিন বোরেন অমদি খুন্দ্রাকপম জয়কুমারগী মনাও প্রেমান্দ, অহৈবম তা-শ্যামগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ঙমজবা খুদোল পীখিবা অদুনা ওইখি। অদুঙৈগী ঈশৈনা অনৌবা চহীবু তরাম্না ওকখি। রুপ রাগনা মখা তারকপদা মীয়ামদা মমল য়াল্লবা থৌরমশিং ফংহল্লকপা ঙম্বা অনৌবা চহীসিনা ওইরকসনু।

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# লোন লৌথরগে

"ইতাও, উদবা কুইরেদা, কম-কম তৌবীরি?"

"এ! ইতাও পংলৈ লৈরিবা হায়দুনি, ৱারে হায়দি হায়হৈদেয়ে, নুংঙাইরি হায়তারেনে"

"কৈনোনে ৱাতা অমা তৌইদা, ইতাওবু য়াম্না ৱারবরনে, করি করি হোৎনবীরিগে?"

"করি তৌরুনি। লাইরিক তম্মু লাইরিক তম্মু হায়দুনা পংতমদা তম্মী। লাইরিক্তি আ য়ৌখৈ তম্মুরে"

"হোয়নে ইতাওদি লাইরিকসু য়াম ফরকখিবনিনে"

"অদুনা ৱারীনি ইতাও, লাইরিকতুফরমদদনা, লাইরিক তম্বা ওইররোই হায়দনা অতোপ্পা শিনফম অমা মতম চানা য়েংশিলহৌরম্মদি খরসু ফদৌবা"

"হোইনে অদুসু চুম্মীনে"

"লাইরিক খরা ফৈ ফৈ হায়দনা মীনসু, ইমা ইপানসু থাগৎপীদুনা, লাইরিক্তা পংতমদা তমহল্লে। লাইরিক তম্বা লোইরকান্দদি, ঐনা তৌবা য়াবা থবক অমত্তা লৈরমদ্রে"

"অশ! ঙাইখো ইতাওবু এম এগা লোইখ্রদাইনে"

"লোইখ্রে"

"থবক ফংদ্রবা"

"ইতাও মণিপুরদা এম এনা থবক হেক্তা ফংগদবা নত্তে, এম এ নৎত্রসু শেলবু পায়রবা, মথা মথা থাদুনা য়োল্লিবা থবক্তুবু লৈবা ঙম্নবা থবক ফংলে, ঐগুম্বা লাইরিক হৈবা, এম এগুম্বগী সর্টিফিকেটতুনগদি থবক ফংবা হৌনদেদা। ইতাওবু মণিপুর মুন্না খঙদবদৌনা তৌরিসি করিগীনো?"

"অদুসু চুম্মীনে। অদো ইতাওদি করি করি হোৎনরি"

"হোৎনরুবা খুদিংমক ফেল ওইরকানসিদা করিবু তৌরুনি হায়গে। অঙাংশিং খরা ট্যুসন তৌবা, অদুসু কোচিং সেন্টরগুম্বা চাওনা চাওনা হাংবা ঙমদ্রবদি ট্যুসন তৌগে হায়দুনা অমত্তা লাক্তে। অদুনা ক্লাস টু, থ্রী, ফোরগী অঙাংশিং খরা ট্যুসন তৌরগা হিংলি"

"ট্যুসন তৌবসিসু শেলদি থা থাগী ওইনা ফজনা ফংই হায়দাইনে"

"ফংলমগনি, ঐনা তৌরিসিদি, থাদা লুপা ২০০গা পীবা অহোঙবনি ইতাও। ফী খিতং হেনগৎপীয়ু হায়না মমা মপাদা হায়রুবদা, নোং হেক ঙানবগা মচা অদুম থারক্তে। অদুনা অপীবা খরাদুনা ঐ অদুম য়াজরে। ইতাওদি করি করি হোৎনরি, মমল অতাঙবা কার-ও করি-ও, শেল য়াম পায়রে হায়না তাইদা"

"এ! ইতাও ঐনা পায়রিসিদি কৈসু নত্তে। য়াম য়াম পায়বা লৈখ্রজাৎনি। ঐসু গৰ্ভৰ্মেন্টকী থবক মচা অমা তেক তেক তৌরি। অদুগা থিকা খরগা তৌরি"

"থবক তৌরসু থিকা তৌবা য়াব্রনে"

"করি য়াদনি, য়াবু য়ানরদি য়াদবা লৈতে মণিপুরদা। ঐনা থবক তৌরিবদুগী তোলোপনবু ঐনা তোংলিবা কার, শারিবা য়ূমসি লৈবা, শাবা ঙম্বা নত্তেদা। থিকাগী থবকনি ঐনা মী খরা খরা ওইবা ঙাল্লিবসে"

"ঐসু ইতাও হন্দক্তি ৱাখল অমা লাক্লে, ঐসু শেল তান্নবা থবক অমা তৌদা য়াদ্রে"

"ঐসু মতেং পাংগে ইতাও, করি থবকনো"

"ইতাওদি অচৌ অশাংসু য়াম তিন্নবনি, ঐ লোন অমতং লৌগে খল্লি। ইতাওনসু খরা মতেং পাংবীয়ু"

"য়াইনে, পাংগেনে, করিগী লোননো ইতাও?"

"ইতাও ঐ য়ু ওইনা য়োল্লগে, য়ু য়োনবা য়ারনি হায়রে, অদুনা অহানবা ওইনা ঐ য়ুগী দুকাম অমা ফল্লগা নীংথিনা শেল তাল্লগে। অতৈ অতৈগীদি খঙদ্রে, য়ুগীদি শেল মাঙলোই। য়ু য়োনবা মী লোইনমক শেল পায়নৈ। লোন্না লোন্না য়োল্লগা, লৈনরিসি, ফোংনা য়োল্লগা লৈনরকতৌরবনিনা, শেনপোত্তু খরা চাউনা থাদরগা মওং তানা য়োন্থরগে। অদুনা মদুগী লোন অমত্তং তান্নগে হায়না খল্লি। ইতাওনা খরা মতেং পাংবীরো"

চাওবা মাগী মতাও মনিগী য়াম্না সিরিয়স ওইবা ৱাদু তাবদা শিথ-শিথখৈ নোকই। মনিদি মতাও চাওবনা নোকপদুদা খিক্তংবু ৱারৌই। মানা শেল থোক্তবসিদা, করেম্নরিনি হায়না খল্লি। চাওবনা নোক্লিন্দুদি মদুগী নত্তে। মাগী মপূক্লিংগী ৱাদু মতাও মনিদা শেংদোরকই।

"ইতাও, মতম অমা পান দুকান ফম্বদা ক্না য়াম্না শিৎলি হায়দুনা থোঙ্গাল খুদিংগী পান দুকান হাংনরম্বা, য়েন লোয়বা কান্নৈ হায়দুনা য়েন লোইনা লোয়খৎনরকপদা, য়েনগী লাইচৎ লাকপদা য়েন মখৈ বোম বোম তুদুনা শিনখিবদা লোংনা লোংনা তাবা ময়ামদু নীংশিংলক্লগা ঐ নোক্লিংবা ফাওই। ইতাওসু, য়ু য়োনবা য়ারনি হায়দুদা লোন লৌগে য়ু য়োল্লগে সিনিনে"

"মানি ইতাও, ঐনা খনবদা মদু খরা কান্ননি হায়না খল্লি। মরমদি য়ু হায়বসি লমদমসিদদি লোইনা পাম্লে, নুপাদি লায়রদনা নুপী ময়াম অমা য়ু থক্লবা কোকথোং অমা য়াওনরে। কনাগী পার্টি, বৰ্থদে, লুহোংবা লোইনমক্তা য়ু হায়বসি লোইনমক থক্লে, নুপা নুপী হায়বা খঙনরক্তবা মতম ওইরে। অদুনা য়ু য়োনবদা শেন্দোং ফংবা নত্তনা শেল্লেপতি মাঙনি থাজদে"

"হোয় অদুবুদি চুম্মী ইতাও, অদুদা য়ু য়োনবা হায়দুসু হৌজিক য়াম্না কম্মন ওইবা বিজিনেস অমা ওইরক্দৌরবনি। ফোংনা য়োনবা ফোংনা থকপা য়ানরকপদগী কুম্মৈবুদি তাদৌরিপোৎনিদা। ৱাখলনবুদি ফনবনি হায়বা, ফত্তনবগী মরমসু অদুম লৈদৌরিনি"

"ঐগীদি হিংবা ঙম্নবা শেল তান্দবা য়াদবনি। কান্নদে ইতাও, ঐ লোন লৌরগা থোঙ্গালদা য়ুগী দুকান অমত্তা হাংগে, নঙ মতেং খরা পাংবীদবা য়াদ্রে"

"ইতাও নঙগী ৱাসি ঐ কোক্না ঙাওইদা। হোয় নঙগী লোনদুগীবুদি হায়নবীগে। অদুদা ঐনা খল্লিসি থোঙ্গাল খুদিংগী মমাঙঙৈগী পান দুকান পংহাংদা হাংনবৈ মতৌগুম্না য়ু য়োনবা দুকান হাংনরল্লদি কমাই তৌদুইনো সিনি"

"হেরা ইতাও য়ু য়োনফম য়াল্লসু থকপীনবা মী ৱাৎলোই। খুদৈ শেৎলগা য়ু য়োনফমদা য়ু শোৎলগা থকপা মীগী মশীং অসুক য়াম্না য়াম্মীসিবু, লৈবীনবা ৱাৎলোই। শিরগা লোইনা শিজরেদনা, মরাইবক্কী তারে। শেল তাল্লগা লোইরে। শেলনা খ্বাইদৈ মরুনি"

"মীদি ফজনা শিনরনিসে"

"অথকপনা শিজরে, থক্তবনা হিংজরেদনা"

"তৌবুদি ক্বালিটি লৈবা য়ু ঙাক্তা ঙাইরনিদা"

"তানীংদেদা ইতাও, য়ুনবু ক্বালিটি লৈদনা কয়াম লৈদুইনো। থকপদা ঙাওরোইদবা য়ু লৈগদবা হৌনদেদা। ঙাওগে হায়না থক্লরিনি। ঙাওদনবা থক্লবা নত্তে, ঙাওগে হায় তারদি য়ু ক্বালিটি লৈবা তাবনি। ক্বালিটি লৈবা হায়সে, পোৎ ফবদুনি। পেগ অনী পায়বদা মতু থাঙনা য়ানগে তান্নবদু পোৎ ফরবনি, ক্বালিটি লৈরবনি"

"ইতাও ঐ কোক ঙাওশিল্লক্লে, য়ৌরগে, কোন্না উন্নরসি" চাওবা চৎখ্রে। মনিনা তান্নদুনা লাওহৌই। "শোয়বা য়াদেকো ইতাও, ঐ লোন লৌথরগেকো"

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।